


# সনালৈবাক স্পোর্টস





*ন্যু য়োক্কী বাসকেটবোল প্লেয়র অমা ওইরিবা এন্থোনিনা হন্দক্কি এন বি এদা পুন্না পোইন্ট ৬২ ফংদুনা রেকোর্দ থমখ্রে*

*বহমাস ক্লাসিক্তা ১৮ হোল মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৬৬ ফংলবা না য়োন চোইনা ৭ শুবা হোল তম্না বোল য়ৌখিবা*

## টেনিসকি পেস, বেদমিন্টনগী গোপিচান্দ, ক্রিকেটকি যুবরাজ সিংহদা পদ্মভুসন অমদি পদ্মশ্রী এৱার্দ পীখ্রে

*ন্যু দিল্লী, জনুৱারি ২৬ঃ*

ইন্দিয়াগী ৬৫ শুবা রিপব্লিক দে থৌরমগা মরী লৈননা শান্নবগী লমদা শকনাইরবা মীওই কয়াদা পদ্মভুসন, পদ্মশ্রী এৱার্দ পীদুনা ঈকায়খুম্নরি।

মখোয়গী মনুংদা হন্দক্কি চহী অসিগী ওইনা দেবিস কপতা ইন্দিয়াগী মিংচৎ কয়ারক হন্না লৌরকখিবা ইন্দিয়াগী টেনিস শান্নরোই লেন্দর পেসতা পদ্মভুসন এৱার্দ পীবগা লোয়ননা বেদমিন্টনগী শান্নরোই পুলেলা গোপিচান্দদসু পদ্মাভুসন এৱার্দ পীখ্রে। শান্নরোই অসিনা ইন্দিয়াগী বেদমিন্টন প্লেয়র অমা ওইরম্লবা মতুংদগী হন্দক্কি চহী অসিদগী বেদমিন্টনগী কোচ ওইখ্রবনি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী ক্রিকেটর যুবরাজ সিংহ পদ্মশ্রী এৱার্দ পীখ্রে। যুবরাজ সিংহ নত্তবা অতোপ্পা শান্নরোই ৬ অমদসু পদ্মশ্রী এৱার্দ পীখি। মখোয়শিং অদুদি ইসক্বাসকি শান্নরোই দিপিকা পলিকাল, ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন ওইরম্বা অনজুম চোপ্রা, কবাদিগী সুনিল দাবাস, মাউটেনিয়ারিংগী লব রাজ সিংহ ধরমশক্তু, মমতা সোধা, ৱিলচিয়ার টেনিসকি ঐচ বোনিফেস প্রভুনিনচিংবা শান্নরোইশিং অসিদসু পদ্মশ্রী এৱার্দ পীদুনা ঈকায়খুম্নখি।

পদ্মভুসন এৱার্দ অসি লৈবাক অসিগী ওইনা মীচমদা পীবা খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্কী এৱার্দ অমনি। মসি মহাক্না তৌরিবা থবক অদুবু ঈকায়খুম্নবগা লোয়ননা তৌবিমল খঙবা উৎপা ওইনা রাষ্ট্রপটি ভাবনদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনা মশাগী চহী ৪০ শুরবা অমদি লৈবাক অসিগী ওইনা দবল অমদি মিক্স দবলদা গ্রান্সলাম টাইটল ১৪ রক লৌরকখ্রবা লেন্দর পেসতা পীখিবনি।

নীংশিংবা য়াই লেন্দর পেস রজিব গান্ধী খেল রত্ন অমদি আর্জ্জুন এৱার্দ ফংখ্রবা টেনিস শান্নরোই অমসুনি। মমাঙগী চহীদা পাঙথোকখিবা য়ু এস ওপন অদুদা মায় পাকপগা লোয়ননা মহাক্কী ১৪ শুবা স্লামগী টাইটল অসি লৌখিবনি।

পেসনা চহী ৪০ গী মতুংদা ইন্দিয়ানা ওলেম্পিক্তা ইন্দিভিজুএল ইভেন্টতা ইহান হান্না মেদল লৌবা শান্নরোই অমসু ওইখি। মদু ইং ১৯৯৬ তা অটলান্টতা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক অদুদা মহাক্না টেনিস মশান্নদা ব্রোঞ্চ মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

মহাক্কী মতুংদা পুলেলা গোপিচান্দ অসিসু ইন্দিয়াগী ওইনা বেদমিন্টনতা শরুক য়াবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা টুর্নামেন্ট কয়াদা মেদল লৌরকখিবা শান্নরোই অমনি।

মহাকপু হন্দক্কি চহী অসিদা পদ্মভুসন এৱার্দ পীদুনা ঈকায়খুম্নরি। গোপিচান্দনা ১৯৯৯ দা অহানবা ওইনা আর্জ্জুন এৱার্দ ফংবা শান্নরোই ওইবগা লোয়ননা ইং ২০০১ দা রজিব গান্ধী খেল রত্ন এৱার্দ ফংখি। ইং ২০০৫ দা সিভিলদা পীবা ঈকায়খুম্ননিঙাই ওইবা এৱার্দ পদ্মশ্রী ফংখি। লোয়ননা মহাক্না শান্নরম্বগী মতমদগী তোক্তুনা কোচ অমা ওইনা লাকপদগী ইং ২০০৯ দা দ্রোনার্চরিয়া এৱার্দ ফংখিবা শান্নরোই অমনি।

শান্নরোই অসিনা নহা ওইরিনা মশান্না অসিদা শান্নরিঙৈ মতমদা মহাকপু মীয়াম্না বেদমিন্টন সার্কল হায়রগসু খঙনখি। মহাক ইন্দিয়াগী অনীশুবা মেন্স সটলর অমা ওইখি। মহাক্কী মথক্তা লৈরিবা প্রকাসনা মতম অদুদা টোপ ওইখিবনি। শান্নরোই অসিনা ইং ২০০১ দা পাঙথোকপা ওল ইংলেণ্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়াখি। মসিগী মতুংদগীদি মহাকপু পুলেলা গোপিচান্দ হায়নরম্বদগী গোপিচান্দ বেদমিন্টন হায়না খঙনখি।

লোয়ননা মহাক্কী মমিংদা বেদমিন্টন একাদমি অমসু হায়দরাবদতা হাঙদোকখি। হৌজিক ইন্দিয়াদা হৌরক্লিবা বেদমিন্টনগী শান্নরোই অয়াম্বা মহাক্কী একাদমি অসিদগী হৌরকখিবনি। মমিং পল্লবদা সাইনা নেহৱাল, পরুপলি কৈশস্পা, পি ভি সিন্ধু, আর এম ভি গুরিসাই দত্তানচিংবা শান্নরোই কয়া অসি মহাক্কী একাদমি অসিদগী থোরকখিবা শান্নরোই ঙাক্তনি।

মশাগী চহী ৩২ শুরবা ইন্দিয়ান ক্রিকেট টিমদা য়াওরিবা যুবরাজ সিংহ অসি লেফ হেন্দেট বেটচমেন ওইবগা লোয়ননা মেদল ওদরদা শান্নবা শান্নরোই অমনি। লোয়ননা বোল্লিংগী লমদসু লেফট আর্ম স্পিন্নর অমা ওইনা শান্নরিবা প্লেয়র অমনি। ইন্দিয়ানা ২০০৭ দা পাঙথোকখিবা টি-২০ ৱার্ল্ড কপ অমসুং সাউথ আফ্রিকাদা পাঙথোকখিবা ৱান দে ইন্টর্নেসনেল ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপ ২০১১ দা পাফোর্ম তৌখিবগা লোয়ননা মদুদা ইন্দিয়ানা মায় পাকপদা অচৌব থৌদাং লৌখিবা শান্নরোই অমা ওইখি।

শান্নরোই অসিগী কেরিয়রদা হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নবদা ও দি আই ২৯৩ শান্নখ্রে। মসিদা মহাক্না রন ৮৩২৯ লৌবা ঙমখি। মসিদা মহাক্না সেঞ্চুরি ১৩ অমদি হাল্ফ সেঞ্চুরি ৫১ লৌখি। টেষ্ট মেটচ ৫০ হেন্না মহাক্না শান্নখ্রে। হৌজিক ফাওবদা টেষ্ট মেটচকি ওইনা মহাক্না রন ১৯০০ লৌখ্রে। লোয়ননা টেষ্টতা সেঞ্চুরি ৩ অদুগা হাল্ফ সেঞ্চুরি ১১ লৌখ্রবা শান্নরোই অমনি।








## অফগানিষ্টানদা বোল্লি শান্নরোই ৫ নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে



*মিহটারলাম, জনুৱারি ২৬ঃ*

শকখঙদবা খুৎলাই পায়বশিংনা অফগানগী বোল্লিবোল শান্নবা নুপা মঙা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে হায়না অফগানিষ্টানগী ওফিসিএল ওইবা পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

পাউ অসিনা মখা তারদুনা হায়, টালিবান ইন্সরজেন্স কাঙবু অমনা থৌদোক অসিগা মরী লৈনৈ হায়না ফোঙদোকখি। থৌদোক অসি হন্দক পাঙথোক্লদৌরিবা লৈবাক অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট কেন্দিদেট অমা ওইরিবা মতম অমদা লৈবাক অসিদা লালহৌবগী মীহুৎ অমা ওইরম্বা স্লাম খাননা এপ্রিল থাদা পাঙথোক্লদৌরিবা ইলেক্সন কেন্দিদেট অমা ওইনা চোঙথোরকপগা মরী লৈনৈ হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

শান্নরোই ৫ বু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎলম্লবা মতুংদা অতোপ্পা সুসাইদ বোম্বর অমনা মীয়াম টিনবা মসজিদতসু বোম পোকখায়নবা হোৎনরম্বদগী নাম্বোক্তুনা চেনখ্রে হায়রি।

শান্নরোই ৫ নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎলম্বা থৌদোক অদু অফগানগী নোংপোকথংবা শরুক্তা লৈবা লাংমান এরিয়াদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা খুত্তা অফবা মখলগী খুৎলাই পায়বা মোটোর্স সাইকল তোংদুনা লাকপা মীওই খরনা বোল্লিবোল গেম শান্নরিবা শান্নরোই ৫ বু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎলম্বনি। শান্নরোই ৫ মক মরাল লৈতে মখোয় ইচম চম্বা মীওই ঙাক্তনি। মখোয়না শান্নরিঙৈ মনুংদা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়না সরহাদি জ্বাকনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা টালিবাননা বোল্লিবোল হায়রিবা মশান্না অসি লৈবাক অসিগী মফম খুদিংমক্তা শক ১৯৯৬ তগী ২০০১ ফাওবদা অথিংবা থম্বগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা এক্টিভিটিসি কয়াসু মখোয়না থিংদুনা লাকখিবনি। থৌদোক অসিদা মখোয়গা করিগুম্বা অমত্তদা মরী লৈনদে হায়না টালিবানগী স্পোক্সমেন ওইরিবা জবিহুল্লাহ মুজাহিদনা ফোঙদোক্লদুনা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবশিং অদু মখোয়গী মীওই নত্তে হায়খি।

## ষ্টানিলাস ৱাৱরিংকানা নুপাগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে



*মেলবোর্ন, জনুৱারি ২৬ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী ঙসি নোংমাইজিং নুমিত্তা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা অহানবা ওইনা গ্রান্সলামগী ফাইনেলদা চঙলকখিবা ৮ শুবা সিটতা লৈরিবা স্বিজকি শান্নরোই ষ্টানিলাস ৱাৱরিংকানা ৱার্ল্ড নম্বর ১ ওইরিবা স্পেনগী রাফেল নদালবু মায়থীবা পীবগা লোয়ননা অহানবা ওইনা গ্রান্সলামগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী ফাইনেল অদুগী অহানবা সেট অদুদা নহা ওইরিবা স্বিজকি শান্নরোই অসিনা ৱার্ল্ড নম্বর ১ ওইরিবা নাফেল নদালগী সার্ভিস ৩ ব্রেক তৌবগা লোয়ননা মহাকপু ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা সেট অদুদসু মহাক্না রাফেল নদালগী সার্ভিস ৪ ব্রেক পীবগা লোয়ননা সেট অদুসু মহাক্না ৬-২ দা মায় পাকখি।

সেট অনী মায় পাক্লবা মতুংদা ৱার্ল্ড নম্বর ১ ওইরিবা রাফেল নদালনা স্বিজকি প্লেয়র অসিগী সার্ভিস ৩ ব্রেক তৌবগা লোয়ননা সেট অসি মহাক্না মায় পাকপা ঙমখি। সেট অসিদা ষ্টানিলাসনা গেম অহুমখক মায় পাকপা ঙমখি।

মখা তানা ৪ শুবা সেট শান্নখি। ৪ শুবা সেট অসিগী অহানবা গেম অদু ষ্টানিলাসনা ১-০ দা মায় পাকখি। নদালনা গেম অমা কাদুনা ১-১ দা ড্রো ওইদুনা লৈখি। অদুমওইনমক ষ্টানিলাসনা মহাক্কী ২ শুবা সার্ভিস মায় পাকপগা লোয়ননা ২-১ দা লৈখি।

নদালনা সার্ভিস অমুক তৌদুনা মহাক্কী ২ শুবা গেম মায় পাকপা ঙমখি। লোয়ননা ষ্টানিলাসনা মহাক্কী ৩ শুবা গেম অদু মায় পাক্লবা হোৎনদবা এজ সার্ভিস ২ তৌখিবগা লোয়ননা ৩-২ দা লৈখি। ৩-২ দা লৈরবা মতুংদা ষ্টানিলাসনা নদালগী সার্ভিস ১ ব্রেক তৌবগা লোয়ননা ৪-২ দা লৈখি। অদুমওইনমক নদালনা ষ্টানিলাসনা ৩ শুবা সার্ভিস অদু ব্রেক তৌবগা লোয়ননা গেম ৩ মায় পাকপা ঙমখি। মখা তাবা গেম অদু ষ্টানিলাসনা ব্রেক তৌহন্দনা ৫-৩ দা লৈরবা মতুংদা মহাক্না নদালগী সার্ভিস অমুক ব্রেক তৌদুনা নদালবু মায়থীবা পীখিবনি।

## লি না ৱার্ল্ড নম্বর ১ ওইরবা য়াই

*মেলবোর্ন, জনুৱারি ২৬ঃ*

ৱার্ল্ডগী নম্বর ১ ওইরিবা সেরিনা ৱিল্লিয়ম অমদি নম্বর ২ সিটতা লৈরিবা ভিক্টোরিয়া অঞ্জরেঙ্কা হন্দক্কি ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন অসিদা য়াম্না ঙন্না লৈহৌদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখিদে।



মহাক হৌজিক ৱার্ল্ডগী ৩ শুবা সিটতা লৈরগসু এসিয়াদগী মহাক্না ২ শুবা ওইনা গ্রান্সলাম টাইটল লৌবা শান্নরোই অমা ওইরি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা ৱার্ল্ডগী নম্বর ১ ওইবা য়ানবা মহাক্না হন্দক্কি ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন অসিদা কন্না হোৎনখি হায়না চাইনিজকি শান্নরোই অসিনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মহাক্না হৌজিক ৱার্ল্ডগী ৩ শুবা সিটতা লৈবা অসি ২ শুবা সিদেট ওইরিবা ভিক্টোরিয়া অঞ্জারেঙ্কদগী শুপ্নগী পোইন্ট ১১ হন্থরগনি। হন্দক্কি চেম্পিয়নসিপ অসিদা মহাক্না টাইটল অসি লৌরবনিনা মহাক্কী কেরিয়র অমদি পোইন্ট অসি হান্নদগী হায়গৎলগনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা ৱার্ল্ডগী নম্বর ১ অসি মঙোন্দা পীরকপা য়াই হায়বগী থাজবসু ফোঙদোকখি।

টাইটল অসি ফংনবগীদমক্তা মহাক্না চহী অসিদা কন্না হোৎনগনি হায়বগী থাজবা পীবগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা টুর্নামেন্টশিংদা মহাক্না তোঙান তোঙানবা টাইটল কয়া লৌনবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখি। হৌজিক মহাক্না টাইটল অসি লৌরবনিনা নুঙাইবা অমা ফাওই। মসিবু ফংনবা হোৎনবদা মহাক্না নুমিৎ কয়ানি চঙনা মায় পাক্লবা হোৎনবদা অকনবা প্রাকটিস কয়া তৌখি হায়নসু পনখি। শক ২০১১ দা পাঙথোকখিবা ওপন অসিদা মহাকপু টিমগী মখুত্তা মায়থীখি অমসুং মমাঙগী চহীদা অঞ্জরেঙ্কগী মখুত্তা মায়থীহৌখি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

## এন রামচন্দ্রননা আই ও এগী প্রসিদেন্ট ওইরগনি

*ন্যু দিল্লী, জনুৱারি ২৬ঃ*

এন রামচন্দ্রন, রজিভ মহেতা অমদি অনিল খানানা অহুম্বু ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী ফেব্রুৱারী ৯ দা পাঙথোক্কনি হায়দুনা তৌরিবা এসোসিয়েসন অসিগী ইলেক্সনদা মখোয় ৩ লম্বা অমত্তা ফাওদনা প্রসিদেন্ট, সেক্রেটরি জেনরেল অমদি ট্রেজরর ওইনা খল্লে হায়রি।

ইলেক্সন অসি পাঙথোক্লবগীদমক আই ও এগী মীওইশিংনা মখোয়গী চে চাঙশিং অদু ওলেম্পিক কম্মিটিতা থাগত্তুনা লৈখ্রবনি। ইন্টর্নেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিনা ইলেক্সন পাঙথোক্লবগীদমক মরী লৈনবা চে চাং অসি ইং ২০১২ দা পীখৎলক্লবা খঙহনবদগী আই ও সিদা চে চাং থাগৎখ্রে। অমদি ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী মীরেপ ওইগদবশিং অমসুং মখোয়না পায়গদবা পোষ্টশিংগী মতাঙদা নোমিনেসন পেপরদা ইরগা থাগৎলকখ্রবনি।

হৌজিক মাঙদা তারিবা আই ও এগী ইলেক্সন অসিদা অতে ওফিস বিয়ারর খনবা নত্তনা মখোয় ৩ দি লম্বা লৈতনা মায় পাক্লে হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

প্রসিদেন্টকি মীরেপতা মায় পাক্লিবা অসি ইন্দিয়াগী ক্রিকেটকি খ্বাইদগী চাউবা বোদি অমা ওইরিবা বি সি সি আইগী এন শ্রীনিবাসনগী মনাওনুপা এন রামচন্দ্রননি।

প্রসিদেন্ট মীরেপ অসিদা লাকখিবা চৌতালাগী চে চাঙশিং অদু য়াদে হায়দুনা ইলেক্সন কম্মিটিনা খঙহনখ্রে। মরমদি মহাক্না লাক্লিবা অসি নৌনা শেমগৎপা স্পোর্টসকি এসোসিয়েসন অমগী খূৎথাংদনি হায়নসু ইলেক্সন কম্মিটিগী চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।


# ANGELS' COACHING CENTRE (ACC)

URIPOK POLEM LEIKAI

**ADMISSION OPEN FOR** | **MOCK TEST 2014**

| PREVIOUS MOCK TEST RESULT 2013 | HSLCE RESULT 2013 |
|---|---|
| MIRANDA M. (NBS) 1st RANK | 1st |
| SYDENNY TH. (LFS) 2nd RANK | 6th |
| RATIMANJURI H. (NBS) 3rd RANK | 3rd |
| MIRANDA O. (NBS) 4th RANK | 5th |
| VIVEK A. (St. Joseph) 5th RANK | 14th |
| REMA N. (NBS.) 6th RANK | 15th |
| S. SADA (LFS) 7th RANK | 16th |
| CHITRA KH. (NBS) 8th RANK | 16th |
| S. BIDYALAXMI (LFS) 7th RANK | 22nd |
| BIDYALUXMI NG. (LFS) 8th RANK | 24th |
| Prescila RK. (NBS) 9th RANK | 24th |
| S. Linthoingambi (LFS) 10th RANK | (89.6%) |
| Michael H.(Catholic) 11th RANK | (88.4%) |
| Daniel H.(St. Joseph) 12th RANK | ( 87%) |
| Rebika Kh.(LFS) 13th RANK | (87%) |
| Kelveen Raj(St. Joseph) 14th RANK | ( 86.6%) |
| Evylyn G.(NBS) 15th RANK | (86.4%) |
| O. Babykalpana(PS Ningthoukhong) 16th RANK | (85%) |
| Raveria Th.(NBS) 17th RANK | (83.2%) |
| N. Polendro(Heritage) 18th RANK | (82%) |
| L. Binju (LFS) 19th RANK | (80.4%) |
| Devia RK.(Alpha BCI) 20th RANK | (78.4%) |

**MEGA MOCK TEST 2014**

TIME : 10:30 A.M. TO 1:30 P.M.

| DATE | SUBJECT | MARKS |
|---|---|---|
| 10-01-2014 | S/SCIENCE | 80 |
| 19-01-2014 | SCIENCE | 80 |
| 25-01-2014 | MATHS | 80 |
| 02-02-2014 | ENGLISH | 80 |
| 09-02-2014 | ADDL. ENG./ MIL/THADOU | 80 |

Contact No.: 9856988840--9863222153--9863265726


## দিল্লী ৱেফরাইদরনা পঞ্জাব ৱারিয়র্সপু মায়থীবা পীখ্রে

*মোহলি, জনুৱারি ২৬ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোক্লিবা হোকি ইন্দিয়ন লীগকি ২ শুবা এদিসনগী মেটচ অমদা দিল্লী ৱেফরাইদরনা পঞ্জাব ৱারিয়র্সপু গোল ৩-১ দা মায়থীবা পীখি। নীংশিংবা য়াই টিম অনীমক অসি অহানবা হোকি ইন্দিয়ন লীগতা সেমি ফাইনেলদা থেংনখিবা টিমশিংনি।

মমাঙদা পাঙথোকখিবা হোকি ইন্দিয়ান লীগ অদুদা দিল্লী ৱেফরাইদর্সনা রন্নর্স অপ তাখি। রাঞ্চি রাইনোসনা ৱিন্নর ওইদুনা লোইশিনখিবনি। পঞ্জাব ৱারিয়র্স অসি মমাঙগী হোকি ইন্দিয়ন লীগ অদুদা ব্রোঞ্চ মেদলগী মেটচ শান্নবদা টিম অসিনা উত্তর প্রদেশ ৱিজার্টকি মখুত্তা ৪-৩ দা মায়থীহৌদুনা মেদলসু ফংদনা মরিশুবা তাখি।

হন্দক্কি অনীশুবা হোকি ইন্দিয়ন লীগ অসিদা ৱিন্নর্স টিম্না ফংগদৌরিবা শেলগী মনা অসি লুপা ক্রোর ২.৫ নি। অদুগা রন্নর্স অপ তারবা টিম্না ফংগদৌরিবা অসিনা লুপা ক্রোর ১.২৫ ফংগনি। পঞ্জাব টিমগী দিফেন্স লাইন য়াম্না লীঙলবসু দিল্লী ৱেফরাইদর্সতা য়াওরিবা ওষ্ট্রেলিয়নগী শান্নরোই জেসন ৱিলসন্না গোল ২ চনবগা লোয়ননা মমাঙ চহীগী রন্নর্স অপ তাখ্রবা দিল্লী টিম্না পঞ্জাব ৱারিয়র্সপু য়াম্না লাইনা গোল ৩-১ দা মায়থীবা পীবা ঙমখি।





# Millennium Institute of Sciences

*Presents for the first time*

# MILLENNIUM SCHOOL

From 2014-15 Academic Session opening

## Daycare, Prenursery, Nursery Classes & K.G.

From this Academic Session onwards at Sagolband Salam Leikai, Imphal - 795001

**Special features :** AC room for daycare

- Home away from home for day care
- Hygienic mid day meal for day care
- Audio Visual Classrooms
- Play-way method of teaching system
- Well equipped teaching and playing materials of latest technologies
- Well experienced and trained faculties with seniors from Delhi Public School.

SL/29/19/B

Form available from 7th November 2013

@ Millennium School Office, Sagolband Salam Leikai.

& Millennium Institute of Sciences, Kwakeithel Mayaikoibi.